## ১০ শুবা গভর্নরস টাইক্কান্দো কপ

# য়ু টি এনা অমুক হন্না ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা য়াবগী ফিভমদা লৈখ্রে






কে জি ৫৫ মখাগী ফাইনেল বাউটতা এন এস এগী জেমসবোন্দ অমদি সাইগী জেমসনা লম্বা তৌনখিবা

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ* য়ুনিয়ন টাইক্কান্দো একাদেমি (য়ু টি এ)না ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা গোল ৮, সিলভর ৪, অমদি ব্রোঞ্জ ৯ লৌদুনা অপুনবগী ওইনা গোল্ড ২২, সিলভর ১৫ অমদি ব্রোঞ্জ ২৫ ফংদুনা ১০ শুবা গভর্নর্সস টাইক্কান্দো কপ ২০১৪গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়নগী ট্রোফি থাঙ্গৎপা য়াবগী ফিভমদা লৈখ্রে। নীংশিংবা য়াবদি য়ু টি এনা মমাংগী ইডিসন্দসু ওভর ওল টিম চেম্পিয়নগী ট্রোফি লৌখি। চেম্পিয়নসিপ অসি হয়েং নুংথিলগী পুং ৪ তাবা মতমদা লোয়শিল্লগনি। থৌরম অদুদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট নুংলেপম শ্যামানন্দা সিংহ, ওল মণিপুর টাইক্কান্দো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই খেমচান্দ সিংহ অমদি য়াসকী রিটায়র্দ জোইন্ট দিরেক্টর দব্লিউ সুশিলকুমার সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি।

সাইনা ঙসি গোল্ড ৮, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংখিবগা লোয়ননা অপুনবগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ১৭, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৯ ফংলগা মেদল টেল্লিগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ওল মণিপুর টাইক্কান্দো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২ দগী হৌদুনা চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র গার্লসকী কে জি ৫৩ মখাগীদা সাইগী টি ঐচ বসন্দিনা গোল্ড, এন এস এগী সি ঐচ মালেমঙানবীনা সিলভর অমদি সাইগী এল অনিতা দেবীনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ৭৩ মথক্কীদা সাইগী কে ঐচ সনাতোম্বীনা গোল্ড অমদি য়ু টি এগী বিদ্যাবপি ৱাইনা সিলভর লৌখি।

সব জুনিয়র গার্লসকী কে জি ২৬ মখাগীদা য়ু টি এগী উমেলিনা গোল্ড, সি টি এগী ৱাই বিজেতা অমদি এন দাইনানা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। কেদেট গার্লসকী কে জি ৩৩ মখাগীদা নম্বোলগী পি দয়ারানিনা গোল্ড, খোয়াথোংগী এল দিপমালানা সিলভর, সি টি এগী এস পুজা লক্ষ্মী অমদি য়ু টি এগী এম দোলিনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কে জি ৫১ মখাগীদা এন এস এগী এন হেলিনা দেবীনা গোল্ড অমদি ঐচ টি এগী এল অঞ্জুবালা দেবীনা সিলভর লৌখি।

জুনিয়র গার্লসকী কে জি ৪২ মখাগীদা এন এস এগী এন জিনা দেবীনা গোল্ড, সি টি আই শগোলবন্দগী এল গোমতিনা সিলভর অমদি সি টি এগী কে শাবিত্রিনা ব্রোঞ্জ লৌখি। জুনিয়র গার্লসকী কে জি ৪৬ মখাগীদা এন এস এগী ও খুমন লৈমা অমদি ৱাই সোনিয়ানা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখিবগা লোয়ননা পি টি এগী এন প্রেটনানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

সব জুনিয়র বোইজকী কে জি ২৩ মখাগীদা সি টি এগী কে টেনিনা গোল্ড, সি টি আই শগোলবন্দগী টি ঐচ বেলোটনা সিলভর, য়ু টি এগী এল জিলাঙম্বা অমদি টি ঐচ জোননা ব্রোঞ্জ লৌখি। কে জি ১৮ মখাগীদা য়ু টি এগী দিকসননা গোল্ড, সোরাগী এম দি সহিল খাননা সিলভর, য়ু টি এগী এল মনিতোম্বা অমদি রাহুলনা ব্রোঞ্জ লৌখি। জুনিয়র বোইজকী কে জি ৫৫ মখাগীদা সাইগী এস ঐচ জেমসনা গোল্ড, এন এস এগী এম জেমসবোন্দনা সিলভর, এন এস এগী রাহুল তমাং অমদি য়ু টি এগী এস লাংজিংনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেদেট বোইজকী কে জি ৫৭ মখাগীদা সাইগী এল লময়ানবনা গোল্ড, এন এস এগী এ ব্রোজেস্বরনা সিলভর, ইমরাতাগী এল সুধির অমদি নাওরিয়াগী পাওজিলুং গোলমৈনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

সেনিয়র মেন্সকী কে জি ৬৮ মখাগীদা সাইগী এল ওজিৎনা গোল্ড, য়ু টি এগী এম দি অজিজ খান অমসুং এন চাব্রিঙ্কসননা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কে জি ৫৮ মখাগীদা সাইগী এন রনবিরসনানা গোল্ড, কে রোমেননা সিলভর, নাওরিয়াগী ৱাই রোনেল খাবা অমদি পি টি এগী এম বিদ্যাসাগর সিংহনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ* নাওরেম য়ুঠ ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন নাওরেম ময়াই লৈকাই বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা সিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চখরিবা অহানবা ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আই জি ও ওইনামনা এস দব্লিউ সিবু সেট ৩–০ (২৫–২২, ২৫–২১, ২৫–২২)দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা শান্নখিবা মেটচশিংদা গেলেক্সী য়ুরেম্বম্না এল এফ সিবু সেট ৩–১ (১৯–২৫, ২৫–২২, ২৫–২০, ২৫–১৮)দা, এন ৱাই দি সি খাইদেম্না খৌপুম্বু সেট ৩–১ (২৫–২২, ২২–২৫, ২৫–২২, ২৫–২১)দা, এস দি আই ইশোক্না পি দব্লিউ এনবু সেট ৩–০ (২৫–১৫, ২৫–২০, ২৫–১৭)দা, এন ৱাই ভি এ (এ) নাওরেম্না উচিৱাবু সেট ৩–১ (২৫–২২, ২৫–২০, ২৩–২৫, ২৫–১৩)দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঐচ ৱাই দি এ হৈক্রুজম্না কে ৱাই দি সি কাচিখুলবু সেট ৩–২ (২০–২৫, ২৬–২৪, ২৪–২৬, ২৫–২২, ১৫–১০)দা মায়থীবা পীখ্রে।

## সেপাকতাক্রৌগী টিমশিং ওক্কনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ* ওল মণিপুর সেপাকতাক্রৌ এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা লাইফম খুনৌদা লৈবা এল কে ৱাই দি এগী গ্রাউন্দদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা নেস্নেল চেম্পিয়নসিপ অমদি ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখিবা শান্নরোইশিং ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি।

ওক্কদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি ১৬ অমদি ১৭ শুবা জুনিয়র নেস্নেল ছেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ, ১৫ অমদি ১৬ শুবা সব জুনিয়র নেস্নেল ছেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ, ২৩ অমদি ২৪ শুবা সেনিয়র নেস্নেল ছেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ, অহুমশুবা ইষ্ট জোন ছেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ, কিংস কপ অমদি সুপর সেরিজ ৱার্ল্ড ছেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াখিবশিংনি।

থৌরম অসিদা শান্নরোইশিং, অহল–লমনশিং অমদি ওল মণিপুর ছেপাকতাক্রৌ এসোসিয়েসনগী মেম্বর পুন্নমক্না শরুক য়ান্নবা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি ইন চার্জ টি রুহিকুমারনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্নি।

# কোথাজিৎ অমদি চিঙলেনসনা ইন্দিয়া হোক্কী টিমদা য়াওরকপদা হরাওবা ফোঙদোরক্লি




ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা চিঙলেনসনা (ওই) অমদি কোথাজিৎ

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ* নেদরলেন্সতা থা অসিগী ৯ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেস্নেল টুরদা শরুক য়াগদৌরিবা নুপাগী ইন্দিয়ান হোক্কী টিমদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই কোথাজিৎ সিংহ খদাংবম অমদি চিঙলেনসনা সিংহ কাঙুজম য়াওরকপদা মণিপুর হোক্কীনা হরাও নুঙাইবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মায় পাকপা ওইরসু হায়না মাঙ্গল আর্শিবাদ পীরক্লি।

নাকল অমরোমদা আইয়রলেন্দগী দব্লিনদা থা অসিগী ১১ দগী ২০ ফাওবা চখগদবা নুপীগী য়ুরোপ ইন্টরনেস্নেল টুর অমসুং স্কোটলেনগী গ্লাসগ্লোদা থা অসিগী ২৭ তগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্ক–দৌরিবা এফ আই ঐচ চেম্পিয়ন্স চেলেঞ্জ ৱানদা মণিপুরদগী হৌখিবী টি ঐচ চনচন (ইন্দিয়া টিমগী ভাইস কেপ্টেন), টি ঐচ অনুরাধা, পি শুশিলা চনু অমদি লিলি চনু ময়েংবমসু ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়ান্নবা খল্লকপদা এসোসিয়েসন অসিনা হরাওবা ফোঙদোরক্লি।

য়ুরোপিয়ান টুর অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়া টিম থা অসিগী ৯ দা ইন্দিয়া থাদোক্লগনি। টুর অসিদা নেদরলেন্সকী টিমগা মেটচ অনী বেলজিয়ম মেটচ অমা অমদি দটসকী নেস্নেল ক্লবকী টিমগা মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবা মেটচ তাং ১১ দা দটসকী নেস্নেল ক্লবকী টিম অমা ওইরিবা লাইদেনগা শান্নগনি। তাং ১৪ দা দটসকী নেস্নেল নেস্নেল ক্লব ঐচ জি সিগা শান্নগনি। তাং ১৫ দা বেলজিয়মগা, তাং ১৭ অমদি ১৯ দনা নেদরলেন্সকা শান্নগনি। কোথাজিৎনা দিফেন্দর ওইনা অদুগা চিঙলেনসনানা মিদ ফিল্ডরগী পোজিসন্দদা শান্নগনি।

## গোপেন্দ্রো ভেটরান ভোল্লিবোল হৌখ্রে


*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ঃ* টিন্স গ্রুপ হৈক্রুজম্না শিন্দুনা ঙসিদগী হৈক্রুজম মনিং লাইকোনুং লম্পাক্তা মরিশুবা এন গোপেন্দ্রো (বোইচা) সিংহ মেমোরিয়েল ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ টিম ৪ না শরুক য়ারগা হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা ভি টি এন নম্বোলনা কে পি এল ইম্ফাল ৱেষ্টপু সেট ৩–১ (২৫–১৬, ২০–২৫, ২৭–২৫, ২৫–১৫)দা মায়থীবা পীখ্রে।

গ্রুপ (এ)গী মেটচতনা এস ভি এম ওইনাম্না দি ভি এ থৌবালবু সেট ৩–১ (২৫–১৯, ২৫–১৪, ১৬–২৫, ২৫–২১)দা মায়থীবা পীখ্রে। হয়েং অয়ুক্কী পুং ৮ দা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ভি টি এস নম্বোলগা দি ভি এ থৌবালগী শান্নগনি। নুংথিলগী পুং ২ দা এস বি এম ওইনামগা কে পি এল ইম্ফাল ৱেষ্টকা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

## চিম চিম সর্তো কৌরক্লে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ঃ* আসামগী দিব্রুগড়দা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৪দা মেটচ ওফিসিয়েল ওইননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা মণিপুরগী চিম চিম সর্তো কৌরক্লে।
থা অসিগী ২৫ দা চিম চিম সর্তো মিষ্টর জয়েন্ত বিজয় শর্ম্মদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। হেন্না অকুপ্পা মরোল অম্ফাগী ওফিস্তগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।










## EMPLOYMENT NEWS

### L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/M Com(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds ) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security(Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

**N.B. :** Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

*Sd/- Manager*
**L.G.. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*